**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- নাগা মীচম ৬ নমদুনা ফাখিবদা চেন্নবনি হায়না চিংনবা মীওই মরি ফারে, মখোয় ৬ ফংননবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি

২) ১৬ শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম এৱার্দ ২০২৪ ঙসি ইম্ফালগী মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগা ওদিতোরিয়মদা য়েন্থোকখ্রে।

৩) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- মণিপুরী সিনেমানা রাজ্য অসিগী কলা সংস্কৃতি অমসুং চৎন লোনচৎশিং ঙাক্তুনা থম্বদা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

৪) ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী কৎথোকপগী কুম্মৈ-ইদুল জহা ঙসি হরাউ তয়ামা পাঙথোক্লি।

অমসুং

৫) পুলিস ফোর্সশিংনা মীয়ামগা হেন্না নকশিন্ননা থবক তৌননবা রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি।

------

খেমচান্দ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- নাগা মীচম ৬ নমদুনা ফাখিবদা চেন্নবনি হায়না চিংনবা মীওই মরি ফারে। সরকারনা ৱাথোক অসি য়ামা হকচিন্না লৌদুনা ফাজিনখ্রিবা মীওইশিং ফংননবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি।

কাংপোকপী জিলাগী মখান নাগা ভিলেজদা ঙসি মুখ্য মন্ত্রিনা মফম অদুদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা চৎপদা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- মীওই ৬ ফাজিনখিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীয়ামগী ৱাখলদা ফাওরিবা নুংঙাইতবশিং অদু সরকারনা খঙই। ফাজিনখিবা মীওইশিংগী লংলা লংজিল অথুবা মতমদা ফংবা ঙন্নগনি হায়বগী থাজবসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

মখান বেপটিষ্ট চর্চতা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগা মুখ্য মন্ত্রিনা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মখোয়গী মনুংদা খুৎলায় পায়বশিংনা হন্দক্তা ফাজিল্লুবদগী থাদোরকখিবা কোনশা খুল ভিলেজগী নুপী অমসুং অঙাংশিংসু য়াওরি। মুখ্য মন্ত্রিনা মখোয়দা চেং, হৱাই য়াওনা চান থকবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। মফম অদুদা মীওই ৩৫ চংজফম লৌদুনা লৈরি। শ্রী খেমচান্দনা কোনশা খুলগী ভিলেজ চীফকসু উন্নদুনা ৱারী শান্নরকখি।

খোঙচৎ অদুদা উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখো, এম.এল.এশিং- লৈসিও কৈশিং, অৱাংবৌ নিউমাই, রাম মুইভা, খাসিম ভাসুম অমসুং জংহেমলুং পানমৈনচিংবা লোয়নখি।

ফিলম (এল)ঃ ১৬ শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম এৱার্দ ২০২৪ ঙসি ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- সিনেমা হায়বসি মীয়াম্বু নুংঙাইহন্নবা ইচম চম্বা মিদিয়ম অমা ওইবতা নত্তনা খুনাইগী সংস্কৃতি অমসুং চৎনা লোনচৎ কয়াগী মমি তারিবা শক্তি লৈরবা মিদিয়ম অমনি। অফবা ফিলমশিংদা খুনাই অমগী পুৱারী, শক্তম অমসুং মীয়ামগী পুকিং ৱাখলশিং নিংথিনা উবা ফংই। মণিপুরী সিনেমানা রাজ্য অসিগী কলা সংস্কৃতি অমসুং চৎনা লোনচৎশিং ঙাক্তুনা থম্বদা চাউরবা থৌদাং লৌরি। ফিলমগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা মণিপুরী সিনেমাবু হেন্না চাওখৎহন্নবা লৌরিবা থৌদাংশিংবু রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- সিনেমানা মীওইবগী ৱাখলদা অনৌবা ইনোৎ কয়া পীদুনা মখোয়গী পুন্সি মহিংবু লমজিংবদা চাউনা মতেং পাংলি। অককবা মচাক মথুম খরা খকা মণিপুরী সিনেমাবু চাওখৎহন্নবা হোৎনরিবা অসি থোইদোকা থাগৎনিঙাইনি। মণিপুরী সিনেমাবু হেন্না চাওখৎননবা সরকারগী মাইকৈদগী তৌবা য়াবা থবকশিং য়েংশিল্লগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

বেষ্ট ফিচর ফিলমনা হাওরোংবম মাইপাকসনানা দিরেক্সন পিবা মরৈবাক নীংবা হিরাচন্দ্রনা তারে। বেষ্ট দিরেক্সনগী মনানা জোসেফস সনগী দিরেক্তর হাওবম পাবনকুমারনা তারে। বেষ্ট এক্তর (মেল)না মরৈবাক নীংবা হিরাচন্দ্রগী নাওরেম পাইলোত সিংহনা তারে। বেষ্ট এক্তর (ফিমেল)না থম্বাল ফিলমগী পিঙ্কি শাইখোমনা তারে। বেষ্ট নোন-ফিচর ফিলমগী মনানা মিনা লোংজমনা দিরেক্সন পিবা অন্দ্রো দ্রিমসনা তারে।

সেমিনার (এল)ঃ ইনভাইরোনমেন্টেল সষ্টেনেবিলিটি এন্দ ত্রেদিসনেল নোলেজ সিষ্টেমস ইন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া- প্রাক্তিসেস, চেলেঞ্জেস এন্দ প্রোস্পেক্টস হায়বা হিরমদা নুমিৎ হুমি চথখগদবা জাতি থাক্কী সেমিনার অমা ঙসিদগী ইম্ফাল খোঙনাংথাবা য়ুনিভর্সিতিদা হৌখ্রে। সেমিনার অসি রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ইকো চেপ্তর এন্দ সাইন্স ক্লবকা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী দাইরেক্তর ডাঃ টি. ব্রজাকুমার, সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালগী কলেজ ওফ ফুড টেকোলোজিগী প্রোফেসার এন.জি. ইবোয়াইমা য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

লম অসিদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা সেমিনার অসিদা চেরোলশিং পাথোক্তুনা ৱা ঙাংগনি।

ইদ (এল)ঃ ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী কৎথোকপগী কুম্মৈ-ইদুল জহা ঙসি পাঙথোক্লি । অয়ুক অঙনবদগী হৌদুনা মসজিদশিংদা লাইনিং লাইশোলগী থৌরমশিংগা লোয়ননা কুম্মৈ অসি পাঙথোকপা হৌখি। ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপশিংগী ইমুংশিংদা মথেল লুকোই লাংদুনা হরাউনা চামিন থকমিন্নবা অমসুং ঙমজবা খুদোলশিং তমবনা কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

ইদুল জহাগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা সাদর বজার জামে মসজিদ, পাউনা বজার ইম্ফালগী নয়িব ইমাম মৌলানা খুরসিদ অহামদনা অসুমা ফোংদোক্লি।

চান্দেল (এল)ঃ কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী ওইবা কলা সংস্কৃতি অমদি অতোপ্পা ফুরুপকা তৎনা থানবা য়াদ্রবা অরিবা পোৎলমশিং য়োকখৎনবগী পান্দমদা ম্যুজিয়ম লিংখৎনবা শেলগী তেংবাংশিং পীরি। চহি ১২ শুরবা কেন্দ্রগী এন.দি.এ সরকারগী মীৎয়েং মখাদা কলচর মন্ত্রালয়গী ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্স ফোর ম্যুজিয়ম গ্রান্ট স্কিমগী মখাদা মণিপুরগী চান্দেল জিলাদা লুপা কোতি ৪ রোম চংনা ম্যুজিয়ম শাবগী থবক চপ্থরি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিংগী বুধিরাজ লম্বী শেম্বগী থবক চপ্থরিবা অদু ঙসি এম.এল.এ- ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এনা পাউমীশিংদা হায়- মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা এম.এল.এ অমমমগী এরিয়াদা লম্বী শেম্বগী লুপা কোতি ৫-৫ পীরকপা শেনফম অদুদগী কেন্দ্র অসিগী লম্বীশিং শেম্বগী থবক চপ্থরি। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল শাবগী থবক চপ্থরিবা অসিগী মথক্তা আয়ুস হোস্পিতাল অমসু শাননবা থৌরাং তৌরি হায়না এম.এল.এনা মখা তানা ফোংদোকখি।

ৱিমেন (এল)ঃ ইম্ফালগী অদিমজাতি শিক্ষা আশ্রমদা লৈবা এস.টি. গার্লস হোষ্টেলদা ঙসি ইন্তরনেসনেল মেন্সট্রুয়েল হাইজিন ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শরুক

য়ারদুনা কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন টি.ঐচ. তিনিংফম মোন্সাংনা হায়- নুপীশিংগা মরী লৈনবা কেসশিং য়েংশিনবা খক নত্তনা কম্মিসন্না মখোয়গী য়াইফ থৌরাংগা মরী লৈনবা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা খঙহন্নবা হোৎনরি। চহি ১৮ গী মথক্তা লৈরবা নুপীশিংগীদমক কম্মিসন অসিনা তঙাইফদবা থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি।

থৌরম অদুদা কম্মিসনগী অতে মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

রাষ্ট্রিয়া কিশোর স্বাস্থ্যা কারিয়াক্রম ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা ঙসি অৱাং সেকমাইদা লৈবা কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্তরদা ৱার্ল্ড মেন্সট্রুয়েল ওফ হাইজিন ডেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনার ময়াংলম্বম রাজকুমার অমসুং চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ এন.জি. দয়াবতিনচিংবা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

ৱার্ল্ড মেন্সট্রুয়েল হাইজিন ডেগী থৌরম নিঙোল ক্লবনা শিন্দুনা ঙসি হৈরোক পার্ট-টু লিতানদা লৈবা চীংদোমপোক হাইস্কুলদসু পাঙথোকখি।

লাইওন্স (এল)ঃ লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল অমসুং লাইওন্স ক্লব ওফ ককচিং গ্রেতরনা পুন্না শিন্দুনা লেমা লায়েংবগী থৌরম অমা ঙসি নুংঙৌরোক বেপটিষ্ট চর্চ য়ু.এন.বি.আইদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা দাইবেটিক্স লৈব্রা হায়বদু খঙদোকপা, অঙাংশিংগা মরী লৈনবা অনাবশিং, জেনেরেল মেদিসিন অমসুং আয়ুসকা মরী লৈনবা লায়েংশিং চথখি। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ১৩০ রোম লায়েংখি।

খৌপুম (এল)ঃ নোনে জিলাগী খৌপুম সব-দিভিজনগী মনুং চনবা গোইতাং ভিলেজদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌওংব্ জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ)না য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসিগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবীনবা য়ুনিয়ন অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

এমসু (এল)ঃ  ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) মিসন লমজিংগী মখাদা সিভিল সার্ভিসেসকী পরিক্ষা থানিংবা মণিপুর মচাশিংদগী অনিরক শুবা ওইনা মীওই অনি খনগৎতুনা য়ু.পি.এস.সিগী কোচিং থাননবা এন্ত্রান্স টেষ্ট অমসুং ইন্তরভিউ পাঙথোক্লগনি হায়রি। এপ্লিকেসন ফোর্ম কৈশামপাৎ লাইশোম লৈরক্তা য়ু.পি.এফকী ওফিসতা হাংদোক্লিবা এমসুগী টেম্পররি হেদ ওফিসতগী লৌরবা য়াগনি হায়রি।

পোক্সো (এল)ঃ  দ্যুতিজ ওফ রিপোর্টিং ওফেসেন্সস অন্দর দ পোক্সো এক্ট ২০১২ হায়বা হিরমদা লিগেল সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি তেংনৌপল জিলাগী আইমোল খুল্লেনদা লৈবা কষ্টুরবা গান্ধি বালিকা বিধ্যালায়াদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি চান্দেলনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

জিরিবাম (এল)ঃ  জিরি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী ২৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি জিরিবাম ইমা মৈরা পায়বী অপুনবা লুপ (জিমপাল)গী হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাঙাংলোইশিংনা জিরিবাম জিলাদা লৈরিবা মীয়ামগী শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

মুরমু ঃ  পুলিস ফোর্সশিংনা মীয়ামগা হেন্না নকশিন্ননা থবক তৌননবা রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি।

সিক্কিমগী গেংতোক্তা লৈবা পলজোর স্তেদিয়মদা ঙসি পাঙথোকপা সিক্কিম পুলিসতা লেমজনিঙাই ওইরবা প্রসিদেন্টস পুলিস কলর খুৎশিন্নবগী থৌরমদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- লাইরবা মীওইশিং, অঙাং অমসুং নুপীগা মরী লৈনবা ৱাথোকশিং থিজিনবদা হেন্না থৱায় য়াওনা হোৎনগদবনি। মসিগী মথক্তা সাইবর ক্রাইম ওনলাইন ফ্রাউদ অমসুং শেংদবা পাউশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ৱাথোক কয়া নিংথিনা য়েংশিনবা ঙমবা হোৎনগদবনি। সিক্কিম পুলিসনা রাজ্য অদুদা শান্তি

রক্সা ঙাকবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং অদুবুসু রাষ্ট্রপতিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

-হৌজিক শান্নবগী পাউ--

যুএফসি ঃ মণিপুরগী মিক্স মার্সিয়েল আর্ট শান্নরোই চুংরেং কোরেন রোড টু যু.এফ.সি সিজন ফাইভকী ক্বাটর ফাইনেল বাউটতা মায় পাকখ্রে।

মহাকা মহাক্কী লম্বা জপানগী য়ুহ্ মিয়াগুইচিবু অনিসুবা রাউন্দদা সবমিসনদা মায়থিবা পীখি। মসিগা লোয়ননা মহাক তুরনামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল চংখ্রে। মহাকা মায় পাক্লকপা অসিদা কোরেন (কোইরেং) য়ুথ ওর্গনাইজেসন মণিপুরনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

কাং ঃ ২৬ শুবা অরাম্বম সোমোরেন্দ্র নিংশিং কুমওন লিগ কম নোক আউট ওপন কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এল.এস.কে-এ ৱাংগোই কাংখুৎনা ৱালিদা ৱাবগাই কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৮-১৫ দা থোইখ্রে।

ফুটবোলঃ মরিসু শুবা মাইপাকপী মেমোরিয়েল ট্রোফি ২০২৬ ষ্টেট লেবেল মেন্স ওপন ফুটবোল তুরনামেন্ট ঙসিদগী হৈরোক পার্ট টু লিতান মখোঙদা লৈবা সিতি ক্লবকী প্লে গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে। তুরনামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা ৩২ না গ্রুপ ৮ থোকা খায়দোক্তুনা শান্নগনি। ঙসি হৌদোকপগী শান্নখিবা মেটচতা সনা এফ.সি থৌবাল অমসুং থোংজ্ এফ.সি পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

------